# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses


ৱাঙ্খেম এ সীদা শুংশোয় শোয়দনা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলদা মীরেপ ওইগনি হায়না ৱাই নবচন্দ্রনা মীয়ামদা লাউথোকপগী শক্তম



উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চীংমায় কয়ামরুমদা পাক শন্না থারিবা পোপি পান্বীশিং পুলিস অমসুং বোদর্স এফের্য়র পুলিসনা য়াম্থুৎপগী শক্তম অমা



থাইলেন্দগী সুরিন প্রোভিন্সতা পাঙথোকপা সুরিন ইন্টরনেসনল কলচরেল এক্সচেঞ্জ, ২০১৭দা মণিপুরগী জগোই মরুপকী টিম্না পার্ফোমেন্স পীবা



দি দি কে ইম্ফাল অমসুং ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা মীখলগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবগী মতম লেপথোক্নবা চীফ ইলেক্টোরেল ওফি-সারনা লোট্টরি ওৎপা




Vol. 40, Issue No.298 | থাংজ, ফাইরেল ৮নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, February 04, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


### দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবগী ৱারেপ হন্দোক্নবা য়ু এন সীনা দিমান্দ তৌরকখ্রে

# ‘ফেব্রুৱারী ৭তা ৱারোইশিন পুরক্নবা য়াই’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী মীৎয়েং মখাদা ঙসি ন্যু দিল্লিদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী), মণিপুর লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা মায়কৈ অহুমগী ওইবা ৱারী শানখ্রে।



মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী নোর্থ ব্লোক্কী রুম নম্বর-১২৩ (কনফরেন্স হোল)দা ঙসি নুংথিল পুং ৩দগী নুমিদাংগী পুং ৮.৩০ ফাওবা ৱারী শানখি। ৱারী শানবদু মহয় য়ানখি হায়না মীফম অদুদা শরুক য়ারুবা মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসল অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মীফম অদুগী তুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবা অমসুং হৌজিক হৌজিক চথুরিবা ইকনমিক ব্লোকেদকী মতাংদা ঙসি ন্যু দিল্লিদা মায়কৈ অহুমগী ওইবা মীফম অমা ফমদুনা খন্নখ্রে। ৱারী শানবা অদুদা হীরম অসিগা মরী লৈননা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখি। অদুবু ওর্গনাইজেসনগী থাক্তা পোইন্ট খরা খন্নবা মথৌ তারি। মথংগী মীফম ফেব্রুৱারী ৭তা পাঙথোক্তুনা হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা খন্নগনি।

মীফম অদুগী মতাংদা ফংবা পাউগী সোর্ছ অমনা হায়, ৱারী শানবদুদা য়ু এন সীগী মায়কৈদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈনা লূচিংবা মীওই মাপন্না শরুক য়াখি। মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হোম) ডো. জে সুরেশবাবু অমসুং ৱার্কসকী কম্মিস্নার কাংজম রাধাকুমারনা মহুৎ শীনখি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী নোর্থ ইষ্ট দিভিজনগী জোইন্ট সত্যন্দ্র গার্গ অমসুং মহাকপু তেংবাঙবা মিনিষ্ট্রি অসিগী মকোক-থোংবা ওফিসল অমনা শরুক য়াখি।

মণিপুর লৈঙাক্না হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ৮গী অহিং নোংয়াইদা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ নৌনা শেম্বগী লৌখিবা ৱারেপ অদু হন্দোকউ হায়না মীফম অদুদা য়ু এন সীগী লূচিংবশিংনা দিমান্দ তৌরকখি। মদুদসু নত্তনা মণিপুর পুলিসনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈ অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সংখেল ষ্টেফেন কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্নবসু দিমান্দ তৌখি হায়রি।

য়ু এন সীগী লূচিংবশিং অদুনা মীফম অদুদা থমখিবা ৱাফমশিং পল্লদুনা পাউগী সোর্ছ অসিনা হায়, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী সদর হিলস দিষ্ট্রিক্ট শেম্বা য়ারোই হায়বগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্না কুমজা ১৯৮১দগী মেমো-রেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) মরিরক হন্না খুৎয়েক পীনখিবা লৈখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্নসু অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেম্লোই হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন্না য়াখ্রগা হৌখিবা কুট ফেষ্টিবেল নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টরনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পীরে হায়না লাউথোক্কদৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী য়ু এন সীনা ওক্টোবর ৩১দগী নাগানা নম্না তাবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা টোটেল সটদাউনগী খোঙজং হৌখি। মদুগী মতুং নবেম্বর ১দগী মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ চথরকখিবনি।

চথুখিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অদুগী মতাংদা মায়কৈ অহুমগী ৱারী শাননবা মিনিষ্ট্রিনা হোৎনখি। দিল্লিদা পাঙ-থোক্নবা কৌখিবা মায়কৈ অহুমগী ৱারী শানবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎ অমত্তা য়াও হায়বা য়াখিদে। অসুম্না নুমিৎ ৭নি রোম ইকনমিক ব্লোকেদ চথুরক্লবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্না হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ৮গী অহিং নোংয়াইদা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবগী ৱাফম অসি নাগাশিংদা থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা থৌওংনি হায়নসু মখা তাখি।

সোর্ছ অসিনা মখা তানা হায় মদুদি, নৌনা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেমখিবদু অমুক হন্দোকপা অমসুং কোর্টকী পর্ভুদা লৈরিবা য়ু এন সীগী লূচিংবা অনী থাদোকপগী ৱাফমগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চপ চাবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে। ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট লৈবা মরম্না মীহুৎশিং অদুনা চপ চাবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদবনি।

নাকল অনীমক্কী ৱাফম তারবা তুংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী মীহুৎ ওইরিবা সত্যন্দ্র গার্গনা মীফম অদুদা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাফমসু, য়ু এন সীগী ৱাফমসু তারে। ইস্যু অসিগী ৱারোইশিন ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### কোংগ্রেসকী টিকেট লাউথোকখ্রে, নুপী ২খক টিকেট পীরে

# কাংপোকপী এ সীদা কোংগ্রেসনা খদগা বহাদুর তমাংদা টিকেট পীরে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচ এন এস): তরামথোইশুবা মণিপুর লেজিস-লেটিব এসেমব্লিগী মীখলদা ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)কী টিকেটতা মীরেপ ওইগদবশিংগী লিষ্ট ঙসি থোকখ্রে। সিট ৬০মক্কী মীরেপ লাউথোকপদা পার্টি অসিগী ওইনা নুপী অনীখক্তমক টিকেট পীরে।





আই এন সীগী টিকেট লাউথো-রকপদা জেনরেল সিট ওইরিবা কাংপোকপী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা এম এল এ নেমচা কিপগেনগা লম্বহন্নবগীদমক কোংগ্রেসনা খদগা বহাদুর তমাং (খদগা তমাং)দা টিকেট পীরে। এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী) অসিমক্তদা কিশোর থাপ্পানা অহুম্লক হন্না মায় পাকখিবা মরম্না কোংগ্রেসতগী চোংথোক্লগা বি জে পিদা চঙখিবা নেমচা কিপগেন মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়বা মীৎয়েংদা টিকেট পীবা ওইরম্বা য়াই হায়না পানরি।

মীখল অসিদা হৌজিক হৌজিক এম এল এ ওইরিবা মীওই ৪৬তা কোংগ্রেসকী টিকেট পীরে। এম এল এ ৪৬ অসিগী মনুংদা মাপনদি কোংগ্রেসতা এম এল এ ওইনা য়াওরকখিবনি। মখোয় অদুদি কৈরাও এ সীদা করাম থমর্জিৎ, অন্দ্রোদা থৌনাওজম শ্যামকুমার, থাংমৈবন্দদা খুমুকচম জয়কিষণ, সগোলবন্দদা রাজকুমার ইমো, কৈশামথোংদা লাইশোম ইবোমচা, কোন্থৌজমদা কে সরত, ৱাঙ্গৈইদা ওইনাম লুখোই, ওইনামদা ইরেংবম ইবোহলবী অমসুং ৱাংজিং তেন্থাদা পাউনম ব্রোজেননি।

টার্ম অনীরক খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ওইরম্লবী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী লোয়নবী ওক্রম ওংবী লন্ধোনি হন্দক্কী মীখল অসিদা মীরেপ ওইদ্রে। মহাক্কী মচানুপা ওক্রম সুর্জকুমার এলিয়স কেনেদিনা এ সী অসিদা মীরেপ ওইরগনি।

ৱাঙ্খেম এ সীদা কোংগ্রেস এম এল এ ওইরম্বা ৱাই ইরাবতনা বি জে পিদা চঙখ্রবা তুংদা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী মচানুপা থোকপা ওক্রম হেনরিদা মীরেপ ওইহন্নবা কোংগ্রেসকী টিকেট পীরে।

ইন্দিয়া পুম্নমক্কী ওইনা চাদা ৩৩ নুপীগী সিট রিজার্ভেসন থমসি হায়নজরবসু হন্দক্কী মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা নুপী অনীদগী হেন্না টিকেট পীদ্রে। কোংগ্রেসকী টিকেটতা মীরেপ ওইরগদবা নুপী অনী অদুদি সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর একে মিরাবাইনা পাৎশোই এ সীদা অমসুং লংথবাল এ সীদা লোইতোংবম তিলোতামানি।

উখ্রুল (এস টি) এ সীদা এক্স-মিনিষ্টর অথরগী মচানুপা অলফ্রেদ কানঙম অথর, কারোং (এস টি)দা হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা কোংগ্রেসকী লূচিংবা দি দি থাইসাদা টিকেট পীরে।

(টিকেটকী লিষ্ট লামায় ১০দা)

## কোংগ্রেসতগী তোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ : কৈশামথোং এ সীগী কোংগ্রেস লূচিংবা অমদি হান্নগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার কোংগ্রেসতগী তোক্লে হায়বগী চেরোল অমা ঙসি পার্টিদা পীশিনখ্রে হায়রি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 72.275138 |
| US Dollar | 67.32608 |
| British Pound | 84.133818 |
| Australian Dollar | 51.427656 |
| Chinese Yuan Renminbi | 9.797256 |
| Japanese Yen | 0.595183 |
| Malaysian Ringgit | 15.204867 |
| Nepalese Rupee | 0.625195 |
| Russian Ruble | 1.135293 |
| Singapore Dollar | 47.615487 |
| South Korean Won | 0.058646 |
| Thai Baht | 1.91978 |
| Myanmar Kyat | 0.04926 |
| Bangladesh Taka | 0.84664 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 30000.00 |
| Mumbai | – | Rs 30609.63 |
| Delhi | – | Rs 30374.33 |
| Kolkata | – | Rs 30363.64 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## HL POLL

Q : Yelhoumi nattaba mioida mirep oinaba partygi ticket pibagi thouong asi chumi haina louba yabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu


NGARANG GI RESULT

Q : Tripartite talkta UNC na District semkhibadu handok u hairaklabadi meeyamna yafam thokpra?

Yes 05% No 95%

## অস! লোইরেহে!

থৌদোক য়ামই হায়রল্লগা ফমুং চঙবীরবদি করি তৌরবগে...?



যাম্মন্দনা চৎকদবা তল্লে...!

## ষ্টেঞ্জিবল কলচর প্রাইজগী নোমিনেট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস): নেসনল এৱার্দ ফংলবা ফিল্ম মেকর ওইনাম দোরেনগী অনৌবা ফিল্ম *মাই নেম ইজ ঈয়ু* লাক্লিবা মার্চ ২৯দগী এপ্রিল ১ ফাওবা বৃষ্টল (য়ু কে)গী ৱাটরসেদতা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫রকশুবা আর এ আই ফিল্ম ফেষ্টিবেলগী *ষ্টেঞ্জিবল কলচর প্রাইজ*গীদমক নোমিনেট তৌখ্রে।



ফিল্ম মেকর ওইনাম দোরেন

ফিল্ম অসি মেঘালয়াগী ইষ্ট খাসি হিলসতা লৈবা কোংথোং ভীলেজদা বেজ তৌই। কোংথোং অসি শিলোংদগী কিলোমিটর ৬০ রোম লাপ্না লৈবা তোপ তোপ্পা ফজরবা ভীলেজ অমনি।

ভীলেজ অসিগী মীওইশিংনা জীংৱরাই ইয়াওবৈ কৌবা অমত্তা ঙাইরবা তোপ তোপ্পা ট্রেদিসন অমা চৎলি। মসি ম্যুজিক্কী ট্যুনশিংবু শাগেগী মপা-মপুশিংবু ঈকায় খুম্নবা উত্তুনা মমিংশিং থোনবগী প্রেক্টিসনি। ঈশৈগী মমিংশিং অদু মমানা নৌনা পোক্লিবা মহাক্কী মচাবু নুংশিবগী এক্সপ্রেসন ওইনা লাকই।

ফিল্ম অসিদা মরুওইনা সিদিয়াপ খোংসিট অমসুং সিথো খোংমিট কৌবী ময়ুম পাল্লবী মচিন-মনাও নুপী অনীগী ইমুংশিংগী মরমদা উৎলি। মখোয়গী ভীলেজগী স্কুলদা ৭শুবা ক্লাস ফাওবদমক তম্বগী খুদোংচাবা লৈবা মরম্না মখোয়গী মচাশিংদু হায়র ষ্টদিগীদমক্তা শিলোংদা লৈবা তাখি।

মচিন-মনাও নুপী অনীসিগী ইমুংশিং শুমজিৎ পান্বী অমসুং ক্বা থাবদগী লাকপা ইনকম্না হিংই। চহী ২গী মমাঙদা নুঙ লম্বী অমনা কোংথাং ভীলেজ য়ৌদুনা লল্লোন-ইতিক তৌদুনা শিলোং য়ৌবা লায়না থোকখি। তৌইগুম্বসুং অঙাংশিংনা মথং মথং মখা তাবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্নবা ভীলেজ অদু থাদোক্লখিবগা লোয়ননা ফিল্মমেকর...মখা লামায় ৩ কলম ২

## পোলিটিক্সতি কখোকপদা য়ুম্ফম ওইগদবনি : জয়কিষন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস): পোলিটিক্স তৌবা হায়বসিদি মীয়ামগী য়াইফগদবা থবকশিংগীদমক কখোকপদা য়ুম্ফম ওইগদবনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী ৱাঙাঙলোয়সু ওইরিবা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।



ঠিকা লৌনবা শাশিন্নবা বেঙ্ক গরেন্টি থমজিল্লম্বগী ৱাথোক্তা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লূচিংবনি হায়জবা মীওই অমা য়াওই। কাঞ্চিপুরদগী লিলোং শেম্বা ফাওবগী লম্বী লোইশিন্দ্রিবসিসু বি জে পিগী মচিনচৎপনি হায়বা মীওই অমনা ঠিকা পীগনি হায়দুনা মীওই কয়াদগী শেল লৌশিল্লুবগী ৱাথোক্লনি হায়না বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবন্দা পাউমীশিংগা উনবদা জয়কিষননা মরাল শীখি। অদুমকপু ৱাফম অসিগী মতাংদা বি জে পিগী ওইবা পাউখুমদি চপ চানা ফংবা ঙমদ্রি।

জয়কিষননা হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিনা হৌখিবা চহী ১৫ অসিদা করি তৌখ্রবগে হায়না তোয়না হংলিবা পার্টি অসি মীকপ থোকপা কুইদ্রিবা মাল্লি। কোংগ্রেস পার্টিনা হৌখিবা চহী ১৫ অসিদা করি তৌখ্রবগে হায়না মীফম কয়াদা বি জে পিনা ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা ৱাফম ফোঙদোক্লিবা পার্টি অসি মীকপ থোকপা কুইদ্রিবা মাল্লি। হৌখিবা চহী ১৫ অসিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপা লৈখ্রে।

বি জে পিগা এন পি এফকা চৎমিন্নে হায়না কোংগ্রেসনা থমখিবা ৱাফমগী মতাংদা ঙসি ফাওবা শেংদোকপা ঙমদে। কোংগ্রেসনা হংখিবা ৱাহং কয়াগী পাউখুম ঙসি ফাওবা পীবা ঙমদনা লৈরিবনি। বি জে পিগী ইগজিক্যুটিব বোদিদা নুপীশিংগী চাদা ৩০ য়াওগদবনি হায়বা ৱাফম লৈরবসু মণিপুরগী বি জে পি মনুংদা নুপী মশিং য়াম্না হাপ্তে।

বি জে পিগুম্বা পার্টি অসিদগী চেকশিন্নিঙাই ওইরি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মায়োক্তা লাউরম্বা মীওই কয়াসু বি জে পিদা তরাম্না ওক্তুনা য়াওহনবা লৈখ্রে। বি জে পিনা চিন্না হায়বখক ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## দি দি কে, এ আই আরদা ৱা ঙাঙনবা মতম লেপথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচ এন এস): চহী অসিগী মার্চ ৪ অমসুং ৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি নিপান্না দি দি কে অমসুং এ আই আর ইম্ফালদা ৱা ঙাঙনবগী মতম লেপথোক্লখ্রে।

ওল্ড সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি মীখলগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবগী মতম লেপথোক্লবা লোট্টরি পাঙথোকখি। লোট্টরি অদু চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর মণিপুর বিভেক কুমার দিৱাঙ্গনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখি। ষ্টেট নোদেল ওফিসর (কোওর্দিনেসন এন্দ ওবজার্ভেসন) ঙাঙোম উত্তম, দি দি কে ইম্ফালগী মীহুৎশিং, এ আই আর ইম্ফালগী মীহুৎশিং, রিকগ্নাইজ পোলিটিকেল পার্টি ৮গী মীহুৎশিং অমসুং বহুজন সমাজ পার্টিগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

দি দি কে ইম্ফালদা থা অসিগী ১৬ তগী লাক্লিবা মার্চ ১ ফাওবা নুংথিলগী পুং ৪.৩০ দগী ৬ ফাওবা নোংমাইজিং নুমিৎ য়াওনা নুমিৎ খুদিংগী...মখা লামায় ৩ কলম ২

## নুরাথেল খুলদা ট্রক গ্রুং চৎপদা মীওই অনী শিরে, মরিনা শোক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচ এন এস): তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তামৈ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা খুনদোং ভিলেজ খুনগী মনাক্তা লৈবা নুরাথেল খুনদা উ বিম পুদুনা লাকপা ট্রক অমা গ্রুং চৎপদা মীওই অনী শিরে অমসুং অতোপ্পা মীওই মরিনা শোক্লে।

থৌদোক অসি ঙৱাং নুমিদাং পুং ৭.১৫ রোম তাবদা থোকখিবনি। খুদোংথিবা নংলবা শক্তিমান ট্রক অদু তমেংলোংদগী উ বিম পুদুনা লাকপদা তামৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুনদোং খুনগী মনাক্তা লৈবা নুরাথেল খুনদা গাড়ী অদু খঙহৌদনা লোক্তা ওন্থখিবনি হায়রি। ট্রক অদুদা তোংলকপা মীওই অনী লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে। দ্রাইভর য়াওনা মীওই মরিনা শোক্লে হায়রি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা হকচাংশিং অদু ঙসি মণিপুর পুলিসনা লৌখৎলগা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা পুখ্রে হায়রি। অশোকপা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল্লোমদা লাইয়েংনবা পুরকখ্রে হায়রি।

ট্রক অদু ফুট ৫০০ রোম হেন্না লুবা লোক অমদা ওন্থখিবনা গাড়ী অদুদা পুরকপা উ বিমশিং অদু য়োৎলি তৎলগা লোক্তা ওনথখ্রে হায়রি। গাড়ী অদুসু বোদিগা মকোক্কা তোঙান তোঙান তাখ্রে হায়রি। হৌজিক ফাওবা গাড়ী অমদি উনচিংবা লৌখৎপা ঙমদনা লৈরি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## পূক্লিং ফাধবীনবা জেলিয়াংনা মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে

কোহিমা, ফেব্রুৱারী ০৩(এজেন্সী): নাগালেন্দদা থোকখিবা মীয়ামগী ঈরাং লাকশিন্নবা সেন্টরনা লান্মী থাজিল্লকপদগী হৌজিক্তি তপ্না তপ্না ঈরাং হন্থরক্লে।

ঈরাং লাকশিন্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা থারকপা লান্মীগী পার্সনেল ৩৭৫না কোহিমা সিটিগী ঈরাং থোকপা য়াবা মফমশিংদা মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈরি। নাগা-লেন্দগী চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াং ফম থাদোক্কদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা হৌজিকসু মতম কক্তবা দিমাপুর বন্দ চথুরি। অদুমকপু টি আর জেলিয়াংনদি মহাক ফম থাদোক্কদবনি হায়বা ৱাফম অদু য়াখিদ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না, মীয়ামগী প্রোটেষ্টতা পুলিসনা মীওই অনী নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা তুংদা মীয়াম পুম্নমক পূক্লিং ফাধনা লৈবিনবা আপিল তৌখ্রে। থোকখিবা থৌদোক অদু সোসল মিদিয়াদা মীওই খরনা তোকঙা শন্দোরকপদগী থোকখিবনি হায়না নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

## অঙ্গনৱাদি ৱার্কর, হেল্পরশিংগী ওনরিয়ম হেনগত্তবগী প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩(ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টকী ইন্তিগ্রেটেদ চাইল্ড দিভলপমেন্ট সার্বিসেস (আই সী দি এস) স্কিমগী মখাদা থবক তৌরিবা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিংগী মতমগা চুনরবা ওনরিয়ম পীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি কৈশাম্পাৎতা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদু কৈশাম্পাৎ পাৱর হাউস মনাক্তা ফম্নবা থৌরাং তৌরকপদা পুলিসনা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী অয়াবা য়াওদনা মফম অদুদা ৱাকৎ মীফম ফম্বা য়ারোই হায়দুনা তাম্থোকখি। তুংদা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি হেল্পরশিং অদু কৈশাম্পাৎ মুতুম লৈরক্কী লম্বী মতাইদা ওইনা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

ৱাকৎ মীফম অদুগী মতাংদা মণিপুর অঙ্গনৱাদি মহিলা ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সনাতোম্বীনা হায়খি, মচি-মচিদা নুপী অমসুং অঙাংগা মরী লৈনবা থবক তৌরিবা ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিংদা পীরিবা থাগী ওনরিয়ম অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদদি হেনগৎনখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু ওনরিয়ম হেনগৎনবা তক্লখিবা লৈখি। মিনিষ্ট্রিনা ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিংগী পীরিবা ওনরিয়ম অদুগী মথক্তা মণিপুর লৈঙাক্না তঙ্খায় অমা পুথোক্লগা ওনরিয়ম পীবিরবদি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা ফংলিবা থাগী ওনরিয়ম অদুমক ফংবা ঙমগনি।

মহাক্না হায়খি, মিনিষ্ট্রিনা ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিংগীনি হায়দুনা কায়থোরকপা শেনফমশিং লৈঙাক্কী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টতা হেক চঙখিবদা মশানা খঙনা থাদোরকপা য়াওদে। সেন্টরদগীদি থা খূদিংগী ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিংগী ওনরিয়ম ষ্টেটশিংদা পীরি। অদুগা মণিপুর লৈঙাক্নদি থা খূদিংগী ওনরিয়ম পীবগী মহুত্তা মখোয়গী খুদোংচাবা য়েংলগা থা ২ নৎত্রগা ৩ পুনশিল্লগা পী। মতৌ অসুম তৌনা য়ুম পুরিবা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিংগী থা কয়াগী ওনরিয়ম হৌজিকসু মণিপুর লৈঙাক্না পীথোক্তনা লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ৱাকৎলগনি হায়রি।

# ‘খোঙজেল য়াঙনা অৱাং নোংপোক অমদি আসিয়ন শম্নহন্নবা হোৎনরি’

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদম অমদি আসিয়ন রিজন খোঙজেল য়াঙনা শম্নহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না সেন্টরনা ফোঙদোকখ্রে।



লল্লোন-ইতিক, কলচর, পিপল-টু-পিপল কন্টেক্ট, লম্বী-থোং, এয়রপোর্ট, টেলিকম্যুনিকেসন অমসুং পাৱরগী খুথাংদা নাকল অনী শম্নহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফেয়র্স এম জে অকবরনা পার্লিয়া-মেন্টতা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, কুমজা ১৯৯০গী অঙনবা শরুক্তগী লূক ইষ্ট পোলিসিবু ইন্দিয়াগী মরুওইবা ফোরেন পোলিসিগী শরুক অমা ওইদুনা লাকখি। কুমজা ২০১৪গী অনীশুবা তাঙ্কক্তা লূক ইষ্ট পোলিসিবু এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী থাক্তা ওনখত্তুনা য়ুম্লোন্নরিবা এসিয়া-পেসিফিক রিজন্দা অখন্নবা মীৎয়েং থমখি।

এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মরুওইবা পান্দমদি এসিয়া-পেসিফিক রিজন্দা লৈরিবা লৈবাকশিং তোয়না বাইলেটরেল, রিজনেল অমদি মল্টি লেটরেল থাক্তা ৱারী শানদুনা শেল-থুম, নাৎ অমসুং অতৈ মরুওইবা হীরমদা মরী থম্নবা হোৎনবনি।

কুমজা ২০১৫গী নবেম্বরদা সিঙ্গপোরগা থম্নবা মরী ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপকী থাক্তা পুখৎখি হায়না পল্লদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিক্তি ইন্দোনেসিয়া, ভিয়েটনাম, মালেসিয়া, জপান, রিপব্লিক ওফ কোরিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া, সিঙ্গাপোর অমদি এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিয়ন) লোয়ননা এসিয়া-পেসিফিক রিজনগী লৈবাক পুম্নমক্কা নক্লবা মরী থম্নখি।

ইন্দিয়া অমদি আসিয়নগী মরক্তা ফিজিকেল অমসুং দিজিটেল কনেক্টিভিটি ফগৎহন্নবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ু এস দোলর বিলিয়ন ১গী লাইন ওফ ক্রেদিট ওফর তৌখি। আসিয়ন অমদি ইন্দিয়াগী ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম অমা ওইনা ভিয়েটনামগী হো চি মিন সিটি মনাক্তা ট্রেকিং, টেলিমিট্রি এন্দ দেটা রিসেপ্সন সেন্টর অমা শেমগৎখি।

ইন্দিয়া স্পেস রিসার্ছ ওর্গনাই-জেসন্না প্রোজেক্ট অসি মাঙজৌননা পায়খৎপা হৌরে হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঈ-পাজ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫